## অনৌবা ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা ৱারী শানরোই

টেহ্রান, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

অনৌবা ন্যুক্লিয়র দিল অমগী মতাংদা টেহ্রান্না করিগুম্বা মখলগী নিগোসিএসন অমত্তা চথরোই হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জবাট জরিফনা হায়খ্রে।

ওফিসল ওইনা জোইন্ট কমপ্রিহেনসিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ) হায়না খঙনবা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অদুগী মখাদা নোংচুপলোগী লৈবাকশিং অমসুং য়ু এনগী অথিংবশিং কোমথোকপগী ফিভমদা ইরান্না লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটি কয়া লেপ্পগী ৱাফম য়াখিবনি।

## ভিক্তিমশিং পুরক্লে

কিভ, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

ইরান্না থা অসিদা শোয়বদগী পেসেঞ্জর প্লেন অমা কাপথখিবদা শিখিবা য়ুক্রেনিয়ন সিটিজন ১১ গী হকচাংশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুক্রেন্দা পুরক্লে হায়না লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকা উংখৎনরিঙৈ মনুংদা ইরান্না কাপথখিবা প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ১৭৬ মক শিখিবনি।

## য়েমেনগী মিলিটরি কেম্প অমদা হৌথিশিংনা মিসাইল এটেক চথবদা লান্মী ৭০ রোম শিরে



কাইরো, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথিশিংনা থাংজ নুমিত্তা য়েমেনগী মরিব সিটিদা লৈবা মিলিটরি ট্রেনিং কেম্প অমদা চথখিবা এটেক অমদা লান্মী ৭০ রোম শিরে অমসুং অতৈ লান্মী কয়ানা অশোক-অপন নংলে হায়না গভর্নমেন্ট সোর্সশিং অমসুং সাউদি ষ্টেট টেলিভিজন্না থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ফোঙদোকখ্রে।

অল একবারিয়া টেলিভিজন্না গভর্নমেন্ট সোর্সশিং পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদু বলিষ্টিক মিসাইলশিং অমসুং ড্রোন কয়া শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবনি। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মিলিটরি বেজ অদুদা লৈবা মোস্ক অমগী মনাক্তা চথখিবা শাথিরবা এটেক অদুদা অশোক-অপন নংলবশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা কয়া য়াওরি।

এটেক অদুগী মতুংদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা য়েমেনি গভর্নমেন্টকী ফোর্সশিং শৌগৎলিবা কোলিসন্না হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা কেপিটেল সানাগী খা নোংপোক্তা লৈবা গ্রুপ অসিগী মিলিটরি বেজ অমদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া পরিং নাইনা চথখি। এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীশি-মীনাশিং থোকপগী পাউদি ফংখিদে।

য়েমেনদা ইরান অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মরক্তা প্রোক্সি লান অমা শোক্লদুনা লাক্লিবনি। হৌথিশিংনা কেপিটেল সানাদগী তান্থোকখিবা প্রসিদেন্ট অবদ-রবু মন্সুর হাদিগী গভর্নমেন্ট হঞ্জিনহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫ দা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না য়েমেনগী ৱাথোক অদুদা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা খুৎ থিংজিনবা হৌখিবনি।

হৌথিশিংনা কেপিটেলদগী তান্থোকখ্রবা মন্সুর হাদিগী গভর্নমেন্টগী মফম হৌজিক লৈবাক অদুগী খা থংবা হিথাংফম সিটি অদেনদা ওইরি। সানা অমসুং য়েমেনগী অর্বান সেন্টর অয়াম্বা পায়শিন্দুনা লৈরিবা হৌথিশিংনা মখোয় ইরানগী পপেটশিংনি হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয় করপ সিষ্টেম অমগী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিল্লিবনি হায়রি। থাংজ নুমিৎকী এটেক অদু গ্রুপ অসিনা খুদক্কী ওইনা ক্লেম তৌরকখিদে।

## ঈ য়ুনা প্রেসর কন্না পীরক্লবদি আই এ ঈ এদা কোওপরেসন পীরিবসি ইরান্না রিভ্যু তৌগনি



দুবাই, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

করিগুম্বা ইরান্না চুমদবা থৌরাং কয়া মায়োক্লরকপা তারবদি লৈবাক অসিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোগতা কোওপরেসন পীরিবসি রিভ্যু তৌগনি হায়না ইরানিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী স্পীকর অলি লরিজানিনা ফোঙদোকখ্রে।

টেহ্রানগী কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলগী মখাদা হৌখিবা চয়োলদা ঈ য়ুগী পৱারশিংনা দিসপ্যুট মেকানিজম অমা চৎনবা হৌহনখিবা মতুংদা লরিজানিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। য়ুরোপিয়ন পৱারশিংনা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী দিসপ্যুট মেকানিজম শীজিন্নরগা ফজদবা থৌরাং কয়া পুথোক্তুনা ইরানদা ইলহন্নবা হোৎনরক্লবদি ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিদা ঐখোয়না কোওপরেসন পীরিবসি য়াম্না হকচিনবা মওং অমদা নৌনা খন্নগনি হায়না ঐখোয়না মতাং অসিদা ইফোং ফোংনা হায়রি হায়না ষ্টেট টি ভিনা লরিজানিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৮ দা য়ু এসনা এগ্রীমেন্ট অদু থাদোকখিবগা লোয়ননা টেহ্রানদা অথিংবা কয়া থমখিবদগী ইরান্না ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেনটশিং থেংখাং নাইনা থুগায়রকখিবনি।

## পিছ সম্মিটতা কম্মান্দর হাফটর দিপ্লোমেসিদা হল্লকপা য়ানবা হোৎনখ্রে




বর্লিন, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

লিবিয়াদা তুং কোয়না মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী পান্দমদা জর্মনিগী কেপিটেল বর্লিনদা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল সম্মিট অমদা লৈবাক অসিগী ইষ্টর্ন মিলিটরি কম্মান্দর খালিফা হাফটরবু দিপ্লোমেসিদা অমুক হল্লকপা য়ানবা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা হোৎনখি হায়রি।

খালিফা হাফটরনা ৱারী শানবা লেপখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মীচংশিংনা লিবিয়াগী থাউগী পোথোক অপুম্বগী তঙ্খায় অমা হেন্না মপান্দা থাদোকপা য়াহন্দনবগী থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা ৱারী শান্নবদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংনা মহাকপু অমুক হন্না দিপ্লোমেসিদা পুরক্লবা হোৎনখিবনি।

ইজিপ, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস, রসিয়ন মার্সিনরিজ অমসুং অফ্রিকন ট্রুপশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা হাফটরগী ফোর্সশিংনা কেপিটেল ত্রিপোলি পায়শিন্নবা অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লক্লি। হৌখিবা চয়োলদা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা মীফমদগী তোকখ্রবসু মহাক বর্লিনদা পাঙথোক্লিবা নোংমগী ওইবা সম্মিট অদুদা শোয়দনা শরুক য়াগনি হায়না থাজনখি।

হাফটরগী ওফেন্সিপ অদুবু থিংনবা হোৎনরিবা মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টদা মতেং পাংনবগীদমক্তা ত্রিপোলিনা ট্রুপ কয়া থাজিনখ্রবনি। সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা শরুক য়াখিবা টর্কিনা শৌগৎপা ফাইটর ২০০০সু হৌজিক লান অদুদা য়াওশিনখ্রে হায়না য়ু এন ওফিসল অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

টর্কি অমসুং রসিয়ানা শীন্দুনা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা পিছ সম্মিট অমা হাফটরনা মপুং ফানা শরুক য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক্তা মীচং ওইনবা ট্রাইবসমেনশিংনা লিবিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ওইল পোর্টশিং থিংজিন্দুনা থাউ পুথোকপগী চাং নোংমদা বেরেল ৮০০,০০০ ককথখিবদগী কনফ্লিক্ট অদু কনশিল্লকখি।

থাউদগী লাকপা শেনফমশিং ত্রিপোলি য়ৌদবা য়াদবগী ফিভম লৈবনা ওইল পোর্টশিং থিংজিনখিবদুনা কেপিটেলদা বেজ তৌরিবা গভর্নমেন্টতা চৈথেং চাওনা পীবা য়াবগী ফিভম লাকখিবনি। লিবিয়াদা খুৎলায় শীজিন্নবা লেপ্ন দুনা তুং কোইনা সীজফায়র চৎনহনবা মরী লৈনবা পার্টি খুদিংমক্লা হান্নদগী শরুক অনী হেন্না কন্না হোৎননবা ঐখোয়না আপিল তৌরি হায়না সম্মিট অদুদা খন্নখিবা কম্যুনিকে অমগী দ্রাফটনা হায়খি।

## হোং কোংদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়খ্রে



হোং কোং, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

হোং কোং সিটিগী ময়াই থংবা পার্ক অমদা নোংমাইজিং নুমিত্তা পুনখিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টর লিশিং কয়া তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিস টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিং অদু পার্ক অদুদগী সিটিগী লম্বীশিংদা থোরক্তুনা মতম খরগী ওইনা লম্বী থিংখি অমসুং বিল্ডিং কয়া রং কাপশিন্দুনা য়েকশিন-ইশিনখি। দেমোনষ্ট্রেসন হৌদ্রিঙৈগী মমাং প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং য়ামদনা লৈরিঙৈদা মখোয়না খঙহৌদনা খোঙচৎ অমা চৎনবা হোৎনরখিবদা পুলিস চঙশিল্লকখি হায়রি।

রাইওট লাকশিন্নবগী ফিজোলশিং শেৎপা পুলিসকী য়ুনিট কয়ানা প্রোটেষ্টরশিং তান্নবা অমদি মীওই কয়া ফাবা উনখি। ৱাটর কেনন ট্রক অমা আর্মর জিপ অমনা ঙাক শেল্লগা সেন্ট্রেল ষ্ট্রিটশিংদা থৌজিনখি। তৌইগুম্বসুং মদু শীজিন্নবদি উখিদে হায়রি।

ওর্গনাইজরশিংনা অহানবদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবগী পার্মিট লৌনবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা পার্ক অদুদা মখোয় লেংদনা রেলি পাঙথোকপদি য়াগনি হায়না খঙহল্লকখিবনি। পার্ক অদুদা লৈরিবা প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তগী খরনা লম্বীদা থোরক্লগা ছাতিন অমসু ষ্ট্রিট ফর্নিচর শীজিন্নরগা লম্বী থীংখি। ফিমু শেৎপা প্রোটেষ্টর কয়ানা পেভমেন্টদগী চেক ফক্লগা লংবনচিংবা থৌওং কয়া চথখি। মখোয়না ট্রাফিক লাইটশিং থুগায়খি।

পুলিসগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, প্রোটেষ্টরশিংনা চৈতুপ শীজিন্নদুনা পুলিস কম্যুনিটি লিয়েজন ওফিসর অনীদা এটেক তৌবদা ওফিসরশিং অদু মকোক্তা শোকখি। প্রোটেষ্টর খরনা অতৈ ওফিসর খরদা ঈশিংগী বোট্লশিং লংশিনখি। খুদোংথিবা ফিভম কয়া লাক্লিংঙাই ওইবনা ইরাং অদু য়েংদুনা পুলিস ওফিসরশিংনা ওর্গাইজরশিংদা পল্লিমকমীটিং অদু লেপ্পবা খঙহনবগা লোয়ননা শরুক য়ারিবশিংদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী মতেংনা মফম অদু থাদোক্লবা আপিল তৌখি হায়না পুলিসগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

এক্সত্রাদিসন লো অমগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা ইরাং হৌবা হৌখিবা প্রোটেষ্টরশিংনা হৌজিক্তি মখোয়গী হান্নগী দিমান্দ অদুগী মথক্তা সিটি অদুদা দিমোক্রেসিগী চৎন-পথাপ মপুং ফানা চৎনহন্নবা তকশিনবগা লোয়ননা দেমোনষ্ট্রেটরশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোক্লবা ফাওবা তকশিল্লিবনি।

## সী এ এ ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৱাফম্নি, তঙাইফদবদি নত্তে



ধকা, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) অসি ইন্দিয়াগী মনুংগী ওইবা ৱাফম্নি হায়না থাজরিবা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনানা য়ুমথংনরিবা মুস্লিম লৈবাক অহুমগী লাইনিং লম্বীদা মাইনোরিটি তারবশিংদা সিটিজনসিপ পীনবগী পান্দমদা পুথোক্লিবা লো অদু তশেংনা তঙাইফদবা লৈবদি নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হসিনানা ৱাফম অসি অবুদাবিদা গল্ফ ন্যুজকী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক মফম অদুদা অৱাংবা থাক্কী বাইলেটরেল মীফমশিং পাঙথোক্লবগী খোঙচৎ অমদা লৈরিবনি। ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা করিগীদমক মদু পুথোকখ্রিবনো হায়বদু ঐখোয়না খঙবা ঙমদে। মদু তঙাইফদনা চৎনহনগদবা লো নত্তে হায়না হসিনানা ইন্টরভিয়ু অদুদা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা চহী অসিগী দিসেম্বর ১১দা পাস তৌখিবা সী এ এনা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর মমাংদা পাকিস্তান, বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টানদগী চেনখিবা লাইনিং লম্বীদা মাইনোরিটি ওইরবা সিখ, হিন্দু, পর্সি, বুধিষ্ট, খৃষ্টান অমসুং জেন রেফ্যুজিশিংদা সিটিজনসিপ পীরিবনি।

লো অসি হৌখিবা থাদগী চৎনবা হৌহনখিবনি। ইন্দিয়াদা ওপোজিসন অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসন কয়ানা সী এ এগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথরকখি। প্রোটেষ্ট খরদি মীশি-মীনা কয়াসু থোকখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা সী এ এ পাস হেক তৌবগা ধকানা ন্যু দিল্লিদা চৎকদবা অৱাংবা থাক্কী খোঙচৎশিং খুদক্তা কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা মীফম কয়াদা য়াওখিদবনি। হসিনানা লো অসিবু তঙাইফদবা অমদি ওইদে হায়না ফোঙদোক্লিবসি সী এ এনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বাংলাদেশতগী চৎখিবা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপগী ফিভম অমা লাকপা য়াই হায়বা বাংলাদেশকী ইষ্টাব্লিসমেন্টকী ৱাখল্লোন অসিগা চান্ননি হায়রি।

## ইজরেলনা বোর্দর পরিংদা এন্টি-টনেল সেন্সর নেটৱার্ক শেমগৎলগনি



জেরুসলেম, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

বোর্দর লান্না টনেল শাজিল্লকপা দিটেক্ট তৌনবগীদমক্তা লেবাননগী বোর্দর পরিংদা অন্দরগ্রাউন্দ সেন্সর নেটৱার্ক অমা শেমগৎ শাগৎপা হৌরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেলগী মিলিটরিনা লাউথোকখ্রে।

লেবানিজ হেজবোলা গ্রুপনা নারোলদগী চঙশিল্লকপা য়ানবা পরিং নাইনা তৌখিবা টনেল কয়া ইজরেলি মিলিটরিনা থুগায়খিবা মতুং চহী অমরোম কান্নরগা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎলিবনি।

লেবননগা ইজরেলগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দর দিমার্কেসন ওইরিবা ব্লু লাইনগী মরমদা পল্লদুনা ইজরেলি মিলিটরিগী স্পোক্সমেন লেফটনেল কর্নেল জোনাথন কোনরিকসনা জর্নেলিষ্টশিংদা হায়খি মদুদি, দ্রিলিংগী থবক খুদিংমক হৌজিক ব্লু লাইনগী ইজরেললোম থংবা মায়কৈদা কন্না চথরি। থৌরাং তৌদুনা শেমগৎলিবা ইজরেলি নেটৱার্ক অদু থাঙ্গৈশেংবা ৱাল অমা নত্তে, তৌইগুম্বসুং লৈনুংদা ফুম্বা সাইজমিক অমসুং একুষ্টিক সেন্সরশিংনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীপুম খুদিংমক্লা ঐখোয়না তৌরিবদু খঙনবগীদমক্তা অমসুং ঐখোয়না ইজরেললোম থংবা শরুক্তা থবক তৌবনি হায়বসি শেংনা খঙহনবগীদমক্তা ইজরেলনা থবক্তুগী মতাংদা সাউথ লেবননদা লৈবা য়ু এন পিছকিপ্পরশিংদা পাউ পীখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না নেটৱার্ক দিপ্লোইমেন্টকী থবক অদু নোংমাইজং নুমিত্তা ইজরেলি বোর্দর কম্যুনিটি অমা ওইরিবা মিসগাভদগী হৌখি অমসুং মফমদুদা চথরিবা দ্রিলিংগী থবক অদু থা অনী ফাওবা চঙলবা য়াই। মসি চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা পায়খৎলিবনি।

## সরিফকী মেদিকেল রিপোর্ট পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



করাচি, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সগী গভর্নমেন্টনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী মেদিকেল রিপোর্ট রিজেক্ট তৌখ্রে। লন্দনদা লৈবা মহাক্কী জেনরেল ফিজিস্যন্না শেম শাবগী মহুত্তা য়ু কেগী প্রাইভেট দোক্তর অমনা ওইনা শেম শাখিবনি হায়না ক্লেম তৌরদুনা পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা সরিফকী মেদিকেল রিপোর্ট অদু রিজেক্ট তৌখিবনি।

এজেন্সিনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না মেদিকেল রিপোর্ট অদুদা সরিফকী ব্লদ প্লেটলিট কাউন্টকা মরী লৈননা মঙোন্দা চথরিবা ট্রিটমেন্ট অদুগী মরমদা কুপ্না পনবা ৱাৎলি। চহী ৭ জেলদা লৈবগী চৈরাক অমা পাঙথোক্লিঙৈ মরক্তা হকচাংগী ফিভম য়ারক্তবদগী লায়েংলিবা হান্নগী লিদর অসিদা বেল পীখিবগা লোয়ননা মহাক্কী প্লেটলিট মশিং তোয়না হন্থবগী ফিভম ট্রিটমেন্ট তৌনবগীদমক্তা মপান্দা চৎপগী অয়াবসু পীখিবনি। সোর্স খরনা ক্লেম তৌরিবদি সরিফনা লন্দন্দা মহাক্কী চেকঅপ ফাওবা পাঙথোকখিদবা দোক্তর অমনা শেম শাবা মেদিকেল রিপোর্টশিং থাখি হায়বসিনি।




